প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্টগী গাড়ীশিং রেজিষ্ট্রেসন নম্বর হাপ্পা মথৌ তাই : হায় কোর্ট

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): প্রসিদেন্ট অমসুং ভাইস প্রসিদেন্টকী কারশিং রেজিষ্ট্রেসন নম্বর হাপ্পা মথৌ তাই হায়না ঙসি দিল্লি হায় কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসনগী মখাদা খ্বাইদগী ৱাংবা ফম পায়রিবা প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, গভর্ণর অমসুং লেফটিনেন্ট গভর্ণরশিংগী গাড়ীশিংসু ওথোরিটিনা রেজিষ্টার তৌগদবনি। গাড়ী খুদিংমক্তা ময়েক শেংনা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর উৎকদবনি হায়না কোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখ্রে।

দিল্লি হায় কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমগী মতুংইন্না কনষ্টিট্যুসনগী মকোক থোংবা ওথোরিটি অমসুং দিগনিটরিশিংনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ইমব্লেম হাপ্পগী মহুৎ রেজিষ্ট্রেসন নম্বর মখোয়গী গাড়ীশিংদা ময়েক শেংনা উৎকদবনি হায়রি। ৱায়েল চথুরক্লবা মতুং ঙসি দিল্লি হায় কোর্টনা প্রসিদেন্ট অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট লোয়ননা গভর্ণরশিংগী কারদা নম্বর প্লেট হাপ্পা তঙাইফদবা অমনি হায়না রুলিং পীখিবনি। ষ্টেট ইমব্লেম কনষ্টিট্যুসনগী মকোক থোংবা মীওইশিংগী গাড়ীদা হাপ্পগী চৎনবীগী মতাংদা এন জি ও অমনা ৱাকৎ অদু দিল্লি হায় কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবনি।

ষ্টেট ইমব্লেম শীজিন্নবা অদুনা মকোক থোংবা লুচিংবশিং অদুদা টেররিষ্ট অমসুং অরানবা তৌবা মীওইশিংনা লাইনা টার্গেট তৌবা ঙমহনগনি। অৱাংবা থাক্কী দিগনিটরিশিংনা অদুগুম্বা কার অদু তোংদুনা চৎপদা পুলিস অমসুং লো ইনফোর্সমেন্ট ওথোরিটিশিংনা অদুগুম্বা কার অদু মহৌশাদগী শোকপা ফাওবা তৌনরক্তে। অদুগুম্বা ফীভম অমসুং ষ্টেট ইমব্লেম শীজিন্নবা অদুনা টেররিষ্ট অমসুং ক্রিমিনেলশিংনা লান্না শীজিন্নরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়নসু ৱাকৎ অদুদা পল্লকখি।

গাড়ীদা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর হাপ্পুবা হায়বদু লৈঙাক অসিগী লৈরিবা এক্ট অদুগী প্রোভিজন খোঙ্গাওনবনি। আর টি আইগী পাউখুম অমদা এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্ট্রিনা গাড়ী ১৪ দি নম্বর প্লেট য়াওদনা শীজিন্নে হায়রি।

নাকল অমরোমদা, রাষ্ট্রপতি ভবননা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর হাপ্পা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। মদুনা অরোন অথুপ কয়া ফোঙদোকপা ওইহন্দুনা প্রসিদেন্টকী পুন্সি অমসুং ফিজিকেল সেফ্‌টিদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই হায়রি।

তৃণমুল কোংগ্রেসতা য়াওননবা চন্দন মিত্রা ভারতিয়া জনতা পার্টিদগী তোকখ্রে

INDIA
specific

কোলকটা, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): কোলকটাদা লৈবা ভিক্টোরিয়া হাউসকী মতায়দা কুমজা ১৯৯৩ দা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক নীংশিংদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা চহী খুদিংগী মার্টিয়রস দে পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লোয়ননা হোম কমিং থৌরমসু পাঙথোক্লি হায়রি।

ভিক্টোরিয়া হাউসকী হেক মথংদা শিংথানিংঙাই ওইরবা পাউচে ষ্টেটমেন্টকী হাউস লৈ। মফম অদুদা মমতা বেনর্জিগী অচৌবা রেল্লি অদু পাঙথোক্তুনা মীওই খরবু হোম কমিং তৌহনখি। বি জে পিগী সিনিয়র লিদর অমসুং অনীরক হন্না রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরম্লবা চন্দন মিত্রা তৃণমুল কোংগ্রেসতা য়াওননবগীদমক বি জে পিদগী তোক্লবা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখ্রে হায়রি।

চন্দন মিত্রা ষ্টেটমেন্টকী পাউমী অমা ওইনা হৌরক্তুনা হৌজিক লৈবাক অসিগী কোনুংদা লৈবা শিংথানিংঙাই ওইরবা পাউচে অদুগী এদিটর ওইরিবনি। থাংজ নুমীৎতা তৃণমুল কোংগ্রেস অমসুং চন্দন মিত্রাগী মরক্তা অচেৎপা মরী লৈনবা অদু উৎখি। মমতা বেনর্জিগী তৃণমুল কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখিবদা, অতোপ্পা মীওই কয়াসু পার্টি অদুদা শোয়দনা য়াওরক্লগনি। মখোয়গী মনুংদা মমিং লৈরবা মীওই কয়াসু য়াওরি হায়খি।

তৃণমুল কোংগ্রেস য়াওরক্লগনি হায়না পান্নরিবশিংগী মনুংদা কোংগ্রেস লেজিসলেটর কয়াসু য়াওরি। অদুম ওইনমক চন্দন মিত্রা পার্টি অদুদা য়াওরকখিবা অদু অচৌবা খোঙথাং অমনি। মহাক্না তৃণমুল কোংগ্রেসতা য়াওরকখিবদা বি জে পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং মরুওইনা অমিট শাহ অমসুং নরেন্দ্র মোদিদা চাউনা নুংঙাইতবা ফাওহল্লগনি।

ফম থাদোকপগী চেরোল অদুদা চন্দন মিত্রানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না বি জে পিদা লৈরিঙৈ মতমদা পার্টি অদুনা পায়খৎলিবা থৌশিল খরদা পুক্নিং নুংঙাইতবা ফাওহল্লে। মরম অদুনা মহাক পার্টি অদুদগী তোকপনি হায়রি।

চন্দন মিত্রা কুমজা ২০১৬ তা ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লীগী হুগ্লি কনষ্টিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী টিকেট ফংদুনা মীরেপ ওইখিবনি। অদুম ওইনমক মীখল অদুদা মহাক চাউনা মায়থিবদা নত্তনা দিপোজিৎ মাংখিবনি হায়রি। চন্দন মিত্রা বি জে পিগী ওইনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্বা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি হায়রি।

হিমাচল প্রদেশতা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী মিগ ২১ এয়রক্রাফ্‌ট ১ কায়খ্রে, পাইলোট শিরে

সিম্লা, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): হিমাচল প্রদেশকী কঙ্গ্রা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পটাজাতিয়ান লমদমদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ) কী মিগ-২১ এয়রক্রাফ্‌ট অমা ঙসি কায়খ্রে। খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা এয়রক্রাফ্‌ট অদুগী ফাইটর পাইলোট লৈখিদ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না ঙসি অয়ুক পঞ্জাবকী পথানকোটতগী এয়রক্রাফ্‌ট অদু পাইখিবনি। মদুগী মতুং পাউ ফাওনবা ঙমখিদবগা লোয়ননা এয়রক্রাফ্‌ট অদু থিবগী থবক চথুখি। পটাজাতিয়ানগী অসুকপা উমং অমগী মনুংদা এয়রক্রাফ্‌ট অদুগী অতেক-অকায়শিং ফংবা ঙমখি। এয়রক্রাফ্‌ট অদু করম তৌনা কায়খিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি।

মী কনবা কাঙবুনা লৈখিদ্রে হায়না খন্নরিবা পাইলোট অদুগী হকচাং ফংননবা অকনবা মওংদা থি-হুম্বগী থবক চথুরি। লোয়ননা মখা তাবা পাউ ঙাইরি হায়রি।

হৌখিবা মতম কয়াদসু আই এ এফকী মিগ-২১ এয়রক্রাফ্‌ট কায়বগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা মিগ-২১ ফাইটরশিং ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতগী লৌথোকপগী থবক পায়খৎপসু হৌখ্রবনি হায়রি।

চৎলিবা চহী অসিগী জুন ৫ দা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ন্যুক্লিয়ার এটেক তৌবা ঙম্বা জুগর কায়খিবসু লৈখ্রে। থৌদোক অদুদসু ফাইটর পাইলোট লৈখিদে হায়না এয়র ফোর্সকী মকোক থোংবা লুচিংবা সঞ্জয় চৌহাননা ফোঙদোরকখি। মদুদা নত্তনা জুন ২৭ তা সুকোই ৩০ এম কে আই অমা নাসিক্তা কায়খি। এয়রক্রাফ্‌ট অদু ৱিং কম্মান্দর প্রসান্ত নায়র অমসুং স্কৱাড্রোন লিদর এল বিসৱালনা পাইখিবনি। অদুম ওইনমক লাইবক ফবদগী পাইলোটশিং অদু মত মচানা ইজেক্ট তৌহৌদুনা খুদোংথিবদগী নাম্থোকহৌখি হায়রি।

শেল পীরগা থবক চঙখিবগী মরালদা মীওই ১৯ ফারে

গুৱাহাতি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): অসামদা থোকখিবা সিবিল সার্ভিস জোব স্কামগা মরী লৈননা বি জে পি লো মেকর অমগী মচানুপী য়াওনা সিবিল অমসুং পুলিস সার্ভিস ওফিসর ১৯ গুৱাহাতিদগী ফাগৎখ্রে।

ফারবা পল্লভি শর্ম্মা বি জে পি লোক সভা এম পি, আর পি শর্ম্মগী মচানুপীনি হায়রি। অদুগা মোনিকানা বি জে পিগী লুচিংবা জয়রাম ইংলেংগী নক্লবা মরী-মতানি হায়রি।

অসাম পুলিসনা ষ্টেট পুলিস ওফিসর অহুম, সিবিল সার্ভিস ওফিসল ১৩ অমসুং অতোপ্পা সিনিয়র ওফিসল ৩ কৌখৎখি। লোয়ননা ঙসি কালিপারাদা লৈবা স্পেসল ব্রাঞ্চ হেদক্বার্টরসতা রাইটিং টেষ্ট তৌহনখি। পাউ অসিগী মতুংইন্না মমাঙদা অদুগুম্বা হেন্দ রাইটিং টেষ্ট পাঙথোকপা লৈখ্রে। মদুগী মতুং মখোয় লোৎতুনা লৈখিবদগী ফাননবা থৌশিল পায়খৎখি।

অসাম পুলিস ওফিসলশিংনা মরাল লৈরবা মীওইশিং অদু খুদক্তা ফানবা থৌশিল পায়খৎখি। মীওইশিং অদুগী হেন্দ রাইটিং অদুদা অন্সর সিটতা ইরম্বা হেন্দ রাইটিংগা মান্নরমদবা থেংনখি। মদুদগী মখোয় অরানবা তৌরে হায়বা খঙবা ঙমখিবনি। ফোরেন্সিক টেষ্ট পাঙথোকপা খুৎইশিং অদু মান্নদ্রে হায়বা খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা অসাম পুলিসনা মীওইশিং অদু ফাগৎখি।

ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা অসাম পুলিসনা লৈঙাক্কী ওফিসর ৩৪ মাঙজৌননা থারকখিবসু লৈখ্রে। অসাম পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন এগজামদা চাউনা অরানবা তৌখ্রে হায়বগী ৱাথোক লাকপগা লোয়ননা পুলিসনা হিরম অদুগী মতাংদা থিগৎতুনা লাকখিবনি। অসাম পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী চ্যেরমেন সম্পেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা মহাক ফাদুনা হৌজিক হৌজিক গুৱাহাতি সেন্ট্রেল জেলদা লৈরিবনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী ৱেদর ব্রোদকাষ্টিং ফগৎহন্নবা সেন্টরনা চপ চাবা থবক পায়খৎলগনি ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): মেটিরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা মহৌশাগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা মাঙজৌননা লাউথোকপগী থৌরমশিং হেন্না ফগৎহন্নবা লৈঙাক অসিনা থৌশিল কয়া পায়খৎলি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হর্স বর্দননা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

আর্টস সাইন্স মিনিষ্টর হর্স বর্দননা ঙসি লোক সভাদা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়ন মেটিরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি) না হৌজিক হৌজিক মাঙজৌননা সাউথ ৱেষ্ট মোন্সুন সিজনগী মতাংদা মাঙজৌননা পাউ কয়া পীরি। জুন থাদগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী ওইবা সাউথ ৱেষ্ট মোন্সুন সিজন অসিদা চহী অসিগী ওইনা লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা নোং মরাং কায়না চুগনি। চাংচৎতা চাদা ৯৬ তগী ১০৪ য়ৌনা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা নোং চুগনি হায়না ৱাহং অমগী পাউখুমদা হর্স বর্দননা ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ চহীশিংগা য়েংনবদা ইন্দিয়াদা চহী খুদিংগী ওইনা নোংজুথাগী মতমদা চুবা নোংগী চাং হন্থরক্লি হায়বসি খঙবা ঙল্লে। ইন্দিয়ন মেটিরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা নোং চুবগী চাং ৱাৎকনি নৎত্রগা হেন্না চুগনি হায়বনচিংবগী ৱাফম চপ চানা মাঙজৌননা লাউথোকপা ঙল্লি। কুমজা ২০১৪ অমসুং ২০১৫ দা নোং ৱাৎনা চুগনি হায়না লাউথোকখি। মদুমক চপ চানা থোকখি। আই এম দিনা অচুম্বা ৱাফমশিং অদু মাঙজৌননা ফোঙদোকপা ঙম্লিবদু হেন্না ফগৎহন্নবা থৌশিল পায়খৎলে হায়খি।

ষ্টেটেটিকেল ফোর কাষ্টিং সিষ্টেম হেন্না ফগৎহন্নবা সিষ্টেমেটিক ওইবা থৌশিল কয়া পায়খৎলি। ৱেদর দিপার্টমেন্টনা নোংজু নুংশাগী চাং মাঙজৌননা খঙদোকপা ঙম্বগী থৌশিল হেন্না ফগৎহল্লগনি হায়খি।

চাম্মা চৎপিগী অনৌবা শেনয়েক অথুবা মতমদা পুথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): চাম্মা চৎপীগী অনৌবা শেনয়েকশিং দৱাজ বেজ বেঙ্ক নোট প্রেসতা নম্বা হৌখ্রে। শেনয়েক অদু ওগষ্ট নৎত্রগা সেপ্টেম্বর থাদদি পুথোক্লগনি।

অনৌবা চাম্মা চৎপী পুথোরকপা অদুনা হৌজিক লৈরিবা চাম্মা চৎপীদা করিসু অকায়বা পীরোই। অনৌবা শেনয়েক অদুদা মাইক্রো সিক্যুরিটি ফ্যুচর কয়া হাপ্লে। গুজরাতকী পুৱারী ওইরবা ষ্টেপ ৱেল রানি কি ভাভকী শক্তম য়াওরি হায়রি।

অনৌবা শেনয়েক অদু হান্নগী চাম্মা চৎপীদগী হেন্না পীক্কনি। অদুগা ১০ চৎপীদগী খরতমক চাউখৎকনি হায়রি। হায়রিবা শেনয়েক অদু তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংগী এ টি এমদা হাপ্পা য়ানবগীদমক এ টি এমগী কাখলশিং শেমদোক-শেমজিন তৌবগী তঙাইফদবা লৈগনি হায়রি।

কুমজা ২০১৬ তা লৈঙাক্লা দিমোনেটাইজেসন চথুখ্রবা মতুং রিজার্ব বেঙ্কনা অহেনবা সিক্যুরিটি ফ্যুচর য়াওরবা ২০০০ অমসুং ৫০০ চৎপী পুথোককখিবা লৈখ্রে। শেনয়েক্তা অৱাৎপা লৈবদগী মখা তানা লুপা ৫০ চৎপী অনৌবা পুথোকখ্রে। লোয়ননা চাম্মা চৎপী অনৌবা থৌশিল পায়খৎলকপনি।

দিমোনেটাইজেসন মতুং মীয়ামদা শেনয়েক ৱাৎপগী খুদোংচাদবা থেংনরিবা অদু কোকহন্নবগীদমক মমাঙ চহীদা আর বি আইনা লুপা ২০০ চৎপী অহানবা ওইনা পুথোকখ্রে। অদুগুম্বা শেনয়েক অদুদা সঞ্চি ষ্টুপাগী শক্তম য়াওরি। মফম অদু ইন্দিয়াগী পুৱারীগা চাউনা মরী লৈনবা অমনি। মদুতা নত্তনা অনৌবা লুপা ৫০ চৎপী অদুদসু ইন্দিয়াগী পুৱারীগা মরী লৈনবা শক্তম কয়া হাপখি হায়রি।

এস সী/এস টি প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিটি এক্টতা য়ানশিন্নহনবা তৌরোই : য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): সেদ্যুল ত্রাইব (এস টি) এন্দ সেদ্যুল কাষ্ট (এস সী) প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিটি এক্টতা য়ানশিনবা য়াহল্লোই হায়না ঙসি রাজ্য সভাদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

এস সী/এস টিদা কনষ্টিট্যুসন্না পীরিবা ঙাক্লৌ অদু কনাগুম্বা ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা লন্নাই মীওই অমত্তনা মুন্দুনা পুহনখিরোই। রাজ্য সভাদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাহং পাউখুমগী মতমদা সপ্লিমেন্টরি ওইনা হংলকখিবা ৱাহং অমদা ৱাফম অদু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখিবনি।

লুচিংবা অদুনা হায়, নেসনল দিমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন দি এ) লৈঙাক্লা এক্ত অদুবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌশিল কয়া পায়খৎলে। কনাগুম্বা অমত্তনা এক্ত অদুদা য়ানশিনবা তৌহল্লোই। কুমজা ২০১৫ দা লৈঙাক অসিনা এক্ত অদুগী শরুক খরা এম্মেন্দ তৌখিবা লৈ। মদু এক্ত অদুবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমদি হেন্না থবক তৌবা ঙম্ননবা মীৎয়েং অমগী মখাদা পায়খৎখিবনি।

সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ত্রাইব কাঙলুপতা চথুরকখিবা ক্রাইমশিংগা মরী লৈননা মী ফাবগী চাং হন্থে হায়না ৱাকৎলকখিবগী পাউখুম ওইনা রাজনাথনা হায়, এস সী অমসুং এস টি কাঙলুপতা মীওৎ-মীনৈ চথুবগী কেসশিং অথুবা মতমদা লোইশিনবা ঙম্ননবা লৈঙাক অসিনা এক্সক্লুসিব স্পেসল কোর্ট ১৯৪ লিংখৎখ্রে। হৌজিক্তি অদুগুম্বা কেসশিং অদুগা মরী লৈননা ফাদোক তাহনবগী চাং হেনগৎলক্লগনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, এস সী অমসুং এস টি কাঙলুপতা মীওৎ-মীনৈ চথুবগী চাং হেনগৎলক্লে হায়বা ৱাফম অদুবুদি লৈঙাক্লা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। এস টি অমসুং এস সী কাঙলুপতা মীওৎ-মীনৈ চথুবগী চাং হেনগৎলকপা লৈতে। নেসনল ক্রাইম রেকোর্দ ব্যুরোগী ৱাফম পল্লদুনা য়ুনিয়ন ষ্টেট হোম মিনিষ্টর হন্সরাজ অহিরনা হায়, এস সী অমসুং এস টি কাঙলুপতা মীওৎ-মীনৈ চথুবা হেনগৎলকই হায়বগী চপ চাবা রেকোর্দ লৈতে। মরম অদুনা শিরক্লিবা মরাল অদু য়াবা ঙমদে হায়খি।

গুজরাতকী বারুচতা বিল্ডিং নীংখায়বদা ১ শিরে, ৩ শোক্লে

বারুচ, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): অহমেদবাদতগী কিলোমিটর ২০০ রোম চৎলগা লৈবা গুজরাতকী বারুচ লমদমদা বিল্ডিং অমা নীংখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই অমা শিরে অদুগা অহুম্না অশোক-অপন নংখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মী লৈনবা য়ুম অদুগী মথক থংবা শরুকশিং নীংখায়রক্তুনা তাশিল্লকপদা মীশি-মীনাগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। লৈবাকপোকপা নুমীৎকী নুমীদাংদা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুগী চপ চাবা রিপোর্ট ঙাইরি হায়রি।

নুমীদাং অদুমক্তদা দিল্লিগী গ্রেটর নোইদাদা লৈবা মথোল তরুক ৱাংবা বিল্ডিং অমসুং শাগৎলিবা মথোল মরি ৱাংবা বিল্ডিং নীংখায়রকপদগী মীওই অহুম শিখ্রে। পাউ অসিগী মতুংইন্না মথোল মরি ৱাংবা বিল্ডিং অদুদা ইমুং ১৮ রোম লৈবনি। অতেক-অকায় মরক্তগী নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সনা অশিবা হকচাং অহুম লৌথোকপা ঙমখ্রে। অতেক-অকায় মরক্তা মীওই কয়া ফুনজিন্দুনা লৈরম্বা য়াই হায়বগী মীপায়বা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙ চহীদসু গুজরাতকী বলসাট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ভাপিদা লৈদা মথোল অহুম ৱাংবা বিল্ডিং অমা নীংখায়বদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

কুমজা ২০১৭ দা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা ওফিসর ৮ য়াওনা লান্মী ১০৬ কী পুন্সি মাংখি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৭ তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা ওফিসর ৮ য়াওনা লান্মীগী মীওই ১০৬ কী পুন্সি মাংখি হায়না ঙসি দিফেন্স মিনিষ্টর (ষ্টেট) সুভাস ভামরেনা লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ চহীদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক ১৫৫ থোকখি। মদুগী মনুংদা লান্মী ১০৬ শিখিবনি। জুনিয়র কম্মিসন ওফিসর ৯৮ অমসুং অৱাংবা থাক্তা লৈবা ওফিসর ৮ শিখি। লাইন ওফ কন্ট্রোলদা ঙমখৈ লান্না সিজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা, উন নীংখায়রকপা, টেররিষ্ট এটেক, লেন্দস্লাইদ অমসুং মাইন্দ বোম পোকখায়বদা লান্মীশিং অদু শিখিবনি।

দিফেন্স সেক্তরদা হৌজিক থবক্তগী পোথাখ্রবা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংগী নক্লবা মরী-মতাগী মীওইশিং থবক হাপ্পদা অথিংবা লৈতে। দিফেন্স সেক্তরগী মনুং চল্লিবা প্রাইভেট সেক্তর কম্পেনি অমসুং আমর্দ ফোর্সতা থবক্তগী পোথাখ্রবা মীওইশিংগী মচা-মশুশিং থবক তৌহল্লি। হৌজিক লৈরিবা লোগী মতুংইন্না থবক্তগী হেক পোথাদ্রিঙৈ মমাঙগী মতম খরা অদু সেন্ট্রেল সার্ভিস গ্রুপ এগী মনুং চল্লি। থবক্তগী পোথাগদবা চহী ১গী মনুংদা কম্মর্সিএল এমপ্লোয়মেন্ট তৌবগী য়াবগী ওইথোকপা লৈ। হিরম অদুগী মতাংদা কদর কন্ট্রোল্লিং ওথোরিটিনা অয়েৎপা পীরকপা লৈতে। লৈঙাক্লা মদুগীদমক চপ চাবা থবক পায়কৎলি হায়খি।

খুৎ থোক্লবা মরুওইনা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা সিজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা অমদি উন নীংখায়বগী থৌদোকশিংদনা লান্মীগী পুন্সি মাংবগী চাং ৱাংলি। মদুতা নত্তনা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকপা, মাইন্দ বোম পোখায়হল্লকপনচিংবা থৌদোকশিংদসু মমল য়াম্লবা লান্মীশিংগী পুন্সি কয়া মাংলি হায়রি।

OFFICE OF THE
MANIPUR URBAN DEVELOPMENT AGENCY (MUDA)
PDA COMPLEX, NORTH AOC, IMPHAL

NOTIFICATION
Imphal, the 17th July, 2018

No.1/28/2018-MUDA: In pursuance of this office notification of even no. dated 8th February and 2nd July, 2018, it is informed to all concerned that the Answer Key for the written examination for the post of establishment of State Level Technical Cell (SLTC) and City Level Technical Cell (CLTC) under Pradhan Mantri Awas Yojana-Housing For All (Urban), which was conducted on 15-07-2018 has been uploaded in official website of MUDA (**muda.mn.gov.in**).

Any complaints regarding the correctness of the answers to MCQ should be filed with relevant explanation and proof within 7 (Seven) days (i.e. on or before 25-07-2018). Claims, if any should be filed only through email: **mudamanipur@gmail.com** and no other form of submission will be accepted. Further, claims received after 25-07-2018 will not be entertained.

Sd/- **Laishram Jayarani**
Deputy Secretary,
Manipur Urban Development Agency

HL-P/5108/19

[illegible]/অমাঙথোং ময়াদা মতুম মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, অমুক হঞ্জিনখিবা, অমুক পোমথোকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাংবদা ঈ তৈরকপা, অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, মরক মরক্তা চক-চক থিল্লকপা ফহনবগী ওজা অজাদপু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মরম ওইদুনা অমাঙথোংদা মতুম মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈরম্বা অদু অমুক হঞ্জিনখিবা, মতম খরা লৈরগা অমুক পোমথোরকপা, পোমথোক্লগা লৈরম্বা অদু অমাঙথোং মনুংদগী ইন্থরক্লগা চাওনা পোমথোক্লগা লৈবা অদুদগী ঈ তারকপা, নিঙ্গাংনা ফম্বা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাংবদা ঈ তৈরকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাঙথোং অকোয়বদু মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, মরক মরক্তা অমাঙথোংদা চক চক থিল্লকপা, পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেল্লগা লৈবা, পুকচেপ নাবা, পুক চপ তিংলগা লৈবা, খ্বাঙ নাবা, তাং তাং চিকপা নাবা, নোংম নোংমগী হকচাং শোকচিল্লকপা, শুনিং চৎনিংবা পোক্তবা, পোত্থারগতা লৈনিংবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/ 9089738275 দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

থাগৎচরিবা : **TH. SANA**
Porompat

HL-P/1777/19